# ব্রসেলসকী এয়রপোর্ট অমসুং মেট্রো ষ্টেসন্দা টেরর এটেকশিং চথখ্রে, মীওই ৩১ শিখ্রে ২০০ হেন্না শোকখ্রে



ব্রসেলস, মার্চ ২২ (এজেন্সী) ঃ

বেলজিয়মগী কেপিটেল ব্রসেলসতা ঙসি চথখিবা শাথিরবা অকি-তুজুং পোকহনবা বোমগী এটেক অহুমদা মীওই ৩১ শিখ্রে অমসুং মীওই ২০০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে। অয়ুক পুং ৭ (জে এম টি) তাবা মতমদা জাবেনটেম এয়রপোর্টতা বোম অনী পোকখায়খি অমসুং মদুগী মতুং পুং ১ রোম লৈরগা মেলবীক মেট্রো ষ্টেসন্দা অতোপ্পা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমসু থোকখি।

লোকল মিদিয়াগী রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, এয়রপোর্টতা চথখিবা এটেকশিং অদুদা মীওই ১১ শিখ্রে অমসুং মেট্রো ষ্টেসনগী এটেক অদুদনা মীওই ২১ শিখ্রে। এয়রপোর্টকী এটেকশিংদা মীওই ১০০ রোম অশোক-অপন নংখ্রে অদুগা মেট্রোল ষ্টেসনগী এটেক্তনা মীওই ১০০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে। এটেকশিং অদু পেরিকতা চেন্নবনি হায়বা মরু ওইবা মীচেল ওইরিবা সালা অব্দেসলামবু ব্রসেলসতা ফাখিবা নুমিৎ ৪নি কান্নরগা চথুরকখিবনি।

বেলজিয়মগী প্রাইম মিনিষ্টর চার্লজ মিচেলনা ব্রসেলসতা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু "পাংদবা অফ-ফত্ত খঙদবা, মীশি-মীনা থোকহনবা পান্থবগী থৌদৌশিংনি" হায়না ফোঙদোকখ্রে।

"ঙসি অসি লৈবাক অসিগী অমন্থা নুমিৎনি" হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মিচেলনা হায়খি অমসুং মীপুং খূদিংমক্তা পূক্নিং মকা লাম্না লৈনবা অমসুং অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লৈমিন্নবা মহাক্না আপিল তৌখি।

ব্রসেলসতা ফায়র ব্রিগেদনা এয়রপোর্টতা শিরিবা মীগী মশীং অহানবগীনি, সিলিং কিন্থবগী অকায়-অতোয় মরক্তা মীওই কয়া ফুমজিল্লম্বা য়াবনা মরম ওইদুনা চপ চাবা মশীং হায়বা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড টস্কনা হায়খি, "টেররিষ্টশিংগী মীবু তুক্কৎচবা, মীনুংশি খঙদবা অমসুং অৱা-অনা নংহনবগী থৌদোকশিংদা ঙসিগী এটেকশিং অসি অতোপ্পা অনেম্বা থাক্কী থবকশিং ওইরি।" ব্রসেলসকী এয়রপোর্ট অমসুং ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অপুম্বা থিংজিনখ্রে।

জাবেন্টেম এয়রপোর্টকী দিপার্চর এরিয়াদা চথুরকখিবা শাথিরবা বোম্মিং এটেকশিং অদুদা সুইসাইদ বোম্মর অমা চেন্নরম্বা য়াই হায়না বেলজিয়মগী প্রোসিক্যুটরনা ফোঙদোকখি।

বেলগা ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টশিংনা হায়খি মদুদি, এরয়পোর্টতা বোম পোকখায়বা অনী থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি অমসুং অরাবিক লোলদা লাউবগী খোঞ্জেলশিং তাখি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকখিবা ইমেজশিংনা মীয়াম্না এরয়পোর্টতগী মীপাইদুনা চেন্নবগী শক্তমশিং উৎখি। ফ্লাইট খূদিংমক ওন্থাং-ওনশিন তৌখ্রে। য়ুরোষ্টারনা ব্রসেলসতা লাক্কদবা অমসুং সিটি অসিদগী থোকখিগদবা ট্রেন সার্বিস খূদিংমক কেন্সেল তৌখ্রে। থালিজ ফ্রান্স-বেনিলক্স ট্রেন ওপরেটরনা নেটৱার্ক অপুম্বা থিংজিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ব্রসেলসকী এটেকশিং অদুনা মরম ওইদুনা গেটৱিক অমসুং হিথ্রো এয়রপোর্টশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং হেনগৎখ্রে অমসুং য়ু কেগী ফোরন ওফিসনা বৃটিশ নেসনলশিংদা বেলজিয়মগী মী চিনবা মফমশিংদা চঙদনবা পাউতাক পীখ্রে। য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমরুননা চ্যের লৌদুনা কোব্রা রেস্পোন্স কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ফ্রান্সনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাংশিং কনখৎখিবগা লোয়নন‍া প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ ওলান্দনা বেলজিয়মগী টেরর এটেকশিং অদুগী মতাংদা খন্নবা কেবিটে মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। দটচ এয়রপোর্টশিংদসু সিক্যুরিটিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

জিনেভাদগী ফ্লাইট অমদা থুংলখিবা জাচ মুজননা ফ্রান্সকী বি এফ এম টেলিভিজনদা হায়খি, মদু শাথিবা অমসুং নুংশি হৈতবগী থৌওংশিংনি। সিলিংশিং কিন্থরকখি। মফম খূদিংমক্তা ঈখেংনা থল্লে, মী কয়া শোক্লে, মফম খূদিংমক্তা বেগনা থন্না লৈ। ঐখোয়না অকায়-অতোয় মরক্তা চৎখি। তশেংমক লাগী সিন অমনি। মেট্রোদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা এরয়পোর্টকী থৌদোক অদুগী মতুং ঙাইহাক কান্নরগা মেলবীক ষ্টেসন্দা মী চিনবা মতমদা থোকখি।

টেলিভিজন ইমেজশিংদা চঙফমদগী মৈখু চাউনা কারকপগী শক্তম উৎখি।

অলিগজেন্দর ব্রান্সনা এপিদা হায়খি, মেট্রো ট্রেন অদুনা মেলবীক ষ্টেসন থাদোক্লমদাইদা তশেংনা হৌনা পোকখায়রকখি। মফম খূদিংমক্তা মীশিংনা মীপাইনখি। মেট্রোদা মী য়াম্না লৈরমই।" অশোক-অপন নংখিবা মীওই অয়াম্বা পুথোকখ্রে হায়না ফায়র ব্রিগেদকী স্পোক্সমেন পিয়রি মেয়র্সনা এ এফ পিদা হায়খি।

ষ্টেসন অদু ঈ য়ুগী ইন্সটিট্যুসনশিংগা নক্কনা লৈবনা মরম ওইদুনা ঈ য়ুগী ইগজিক্যুটিব মশা ওইরিবা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না ইমপ্লোয়ীশিংদা কা মনুংদগী হেন্দোক্তনবা নৎত্রগা য়ুমদা লৈনবা আপিল তৌখি। ঈ য়ুগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মীফম খূদিংমক কেন্সেল তৌখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বেলজিয়মগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জান জমরোননা ফোঙদোকখিবা অমদা সালা অব্দেসলাম ফারবা মতুংদা লমন খুম্বগী এটেকশিং অদু চথুরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা লৈবাক অদুবু খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা থল্লে হায়খিবনি।

জাবেনটেম এয়রপোর্টব্রসেলসতগী অৱাং নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১১ রোম লাপ্না লৈ অমসুং হৌখিবা চহীদা এয়রপোর্ট অসিনা পেসেঞ্জর মিলিয়ন ২৩ হেন্না দিল তৌখি।

চৈরকসিদা, আই এস আই এসনা এটেকশিং অদু গ্রুপ অসিনা চথেখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে অমসুং ওফিসলশিংনা এয়রপোর্টকী এটেকশিংদু সুইসাইদ বোম্মরশিংনা চথখিবনি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

# চহী ১৬কী নুপীমচা অমা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফন্দ খোম্লম্বগী মরাল শীরগনি : ওষ্ট্রেলিয়ন পুলিস

সিদনি, মার্চ ২২ (এজেন্সী) ঃ

চহী ১৬ শুবদা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা ঙসি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ শৌগৎনবা শেল খোম্লম্বগী মরাল শীরগনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং অসিগুম্বা থবক থৌরমশিংদা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিং চেন্নবগী অওনবা চৎনবী অমা লাক্লে হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক নুপীমচা অদু ৱেষ্টর্ন সিদনিগী গিল্ডাফার্দতগী চহী ২০গী নুপা অমগা লোয়ননা ফাখি হায়না ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেট পুলিসকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার কেথ্রীন বর্ননা হায়খি।

"ঐখোয়না মখোয়বু ইস্লামিক ষ্টেটকী থবকশিংদা মতেং পাংনবা শেল খোম্লগা মপান্দা থানবা হোৎনরম্বগী মরাল শীরগনি" হায়না বর্ননা সিদনিদা পাউমীশিংদা হায়খি।

"চহী ১৬কী নুপীমচা অদু ঐখোয়না মুন্না খঙবা মীওই নত্তে, অদুম ওইনমক ঐখোয়না ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংনা অসিগুম্বা মখোয়না শুংচেন চেন্নরোইদবা থবকশিংদা চেন্নরম্বগী অওনবা চৎনবী অমা উবা ফংলক্লিবসি নুংঙাইতনিঙাই মচাক্নি" হায়না বর্ননা হায়খি।

লোকল মিদিয়ানা মিলাদ অতাই হায়না মমিং পীবা চহী ২০গী নুপা অদু টেররিজম ফাইনান্স তৌবগী চার্জগা লোয়ননা কোর্ট মায়োক্নরি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোরপোরোসনগী পাউনা হায়খি।

মহাক কষ্টদিদা লৈরি অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা সিদনিগী অতোপ্পা কোর্ট অমদা পুথোক্কনি হায়না এ বি সীনা মখা তাখি।

টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী ফন্দ খোম্বা, অসিগুম্বা ওর্গনাইজেসনদা ফন্দ পীশিনবা নৎত্রগা অসিগুম্বা ওর্গনাইজেসনদগী ফন্দ লৌরম্বগী চার্জ অমা নুপীমচা অদুনা মায়োক্নরগনি অমসুং মদুগী চৈরাক্তি কনভিক্ট তৌবা মতমদা চহী ২৫ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী ফেদরেল পুলিসনা ফোঙদোকখি।

বর্ননা ফন্দ কয়াম্না খোমগৎলম্বগে হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে তৌইগুম্বসুং "লৈবাক অসিদা মীওই কয়ানা" টেররিজম ফাইনান্স তৌনবা শেল খোমগৎলে অদুগা শেলফমশিংদু মপান্দা থারে হায়খি।

নেসনল সিক্যুরিটিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার (ফেদরেল পুলিস) মাইকল ফেল্লননা হায়খি, নহারোলশিংনা শেল খোমগৎলিবদু ওষ্ট্রেলিয়াদা এটেক অমা চথনবগী থৌরাং অমত্তগা মরী লৈনদে অমসুং খুদক্কী ওইনা কম্যুনিটিদা অকিবা পোক্লিঙাই ওইদে।

# 'অৱাং নোংপোক সোমালিয়াদা সেবাবকী লালহৌবা ৬৫ হাৎখ্রে'



মোগাদিসু, মার্চ ২২ (এজেন্সী) ঃ

সোমালিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা সেমি-ওটোনোমস পন্টলেন্দ এরিয়াগী কোষ্টেল টাউনশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনখিবা সেবাব ইস্লামিক লালহৌবা ৬৫ লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে হায়না রিজনেল আর্মি চীফনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

"হৌজিক লাল শোক্লবা লোইশিল্লে হায়বা য়ারে অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নুমিৎ ৫নি খুৎ থোক্লরবা মতুংদা লেমহৌরিবা লালহৌবশিং তান্নরি" হায়না জেনরেল মুহিদিন অমেদ ম্যুজনা পাউমীশিংদা হায়খি।

"লান্না লমজিংদুনা লাল অসিদা পুরকখিবা লালহৌবা ৬৫ হৌজিক ফাওবদা হাৎখ্রে অদুগা অতৈ ৩১না হিংনা ফারে, মখোয় অয়াম্বনা অঙাং ঙাক্তনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অল-কাইদাগা মরী লৈনবা সেবাব কুমজা ২০১১দা মোগাদিসুদগী তকথোকখি অমসুং মখোয়না মতম অমদা পাইশিল্লম্বা লমশিং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অমুক হন্না লৌশিনখি।

হন্দক সেবাবকী এটেকশিং হেনগৎলকখি অমসুং মদু চহী অসিগী অথেংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা থবক তৌরকখিবা মালেমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টবু মরা চেৎহন্দনবা হোৎনরকপনি হায়না এনালিষ্টশিংনা লৌনৈ।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা কেপিটেল মোগাদিসুগী মপান্দা লৈবা সোমালি মিলিটরি বেজ অমদা ইস্লামিক লালহৌবশিংগী গ্রুপ অমনা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখি। গ্রুপ অদুনা সোমালি মিলিটরিগী মায়কৈদা মীশি-মীনা কয়া থোকহনখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি।

সোমালি ওথোরিটিশিং অমসুং লালহৌবশিং অনীগী মরক্তা অমনা অমবু অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে হায়না ক্লেম তৌনবসি তোয়না থোকই। অসুম্না ক্লেমশিং অদু ভেরিফাই তৌবদা ৱানা থোকই হায়রি।

গভর্ণমেন্ট সোর্ছশিংনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, নৌনা থুংলখিবা লালহৌবশিংগা মায়োক্নবদা লোকল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মতেং পাংনবা হৌখিবা চয়োলদা পন্টলেন্দদা মিলিটরি খুৎলাইশিং পুশিনখি।

লমদম অদুদা লৈবা মীশিংনা ফোঙদোক্লখি মদুদি, হৌখিবা চয়োলদা মখোয়না মেছিন গনশিং, মোর্টারশিং অমসুং রোকেট লোঞ্চরশিং পায়বা সেবাবকী ফাইটর কয়া হিশিংদা তোংদুনা লাকপা উখি।

লালহৌবা ১০০ রোমনা পাইরেটশিংগী হোটস্পোট অমা ওইরিবা ইয়িল হিথাংফমগী মনাক্তা লৈবা গরমল অমসুং সুজ খুঙ্গংশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি।

সেবাবকী মায়কৈদগী খুৎ থোক্লবগী মরমদা নৎত্রগা পন্টলেন্দদা মখোয়না খঙহৌদনা থুংলখিবগী মরমদা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকখিদে হায়রি।

কুমজা ১৯৯৮দা পন্টলেন্দদা মশাগী ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা লাকখি, তৌইগুম্বসুং য়ুমথংনরিবা সোমালি লেন্দগা মান্নদবা মওং অমদা মখোয় মপুং ফানা নীংতম্লে হায়নদি লাউথোকখিদে।

# য়ু এননা পুথোকপা ইজরেল পালেষ্টাইন দিল অমেরিকানা ভিটো তৌগনি : দোনাল্ড ট্রম্প



ৱাশিংটন, মার্চ ২২ (এজেন্সী) ঃ

য়ু এন অসি দেমোক্রেসি নৎত্রগা নীংতম্বগী মরুপ অমা নত্তে হায়না ক্লেম তৌরদুনা রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়ল ফ্রন্টরনর দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ু এননা থমজিল্লকপা মিদ্দল ইষ্টকী পিছ এগ্রীমেন্ট খূদিংমক ভিটো তৌগনি হায়খ্রে। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা মহাক্না ইজরেলবু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রদুনা দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঙরাং পৱারফুল ওইরবা অমেরিকান ইজরেলি পোলিটিকেল এক্সন কম্মিটি (এ আই পি এ সী)গী চহীগী কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ট্রম্পনা ক্লেম তৌখি মদুদি, প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা ওফিস পায়বগী অরোইবা চহীদা লৈবগা লোয়ননা ইজরেল অমসুং পালেষ্টাইনগী মরক্তা সাইন তৌনগদবা এগ্রীমেন্ট অমগী টার্মশিংগী মতাংদা সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা রিজোল্যুসন অমা পুরক্লবা খন্ন-নৈনবা লৈরে।

"ঐহাক্না য়াম্না ময়েক শেংনা হায়রি মদুদি, য়ু এননা এগ্রীমেন্ট অমা নমদুনা চৎনহল্লকপা হায়বসি পূম্নমক ফেল ওইবা অমসুং মাঙ-তাকপগী ফীভম ওইগনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিগী রিজোল্যুসন অসিগী মায়োক্তা লৈগদবনি অমসুং ঐখোয়গী ভিটোগী পৱার শীজিন্ন-গদবনি। মসি করিগীনো? মরমদি দিল অমা শেম্বা হায়বসি অদুম্না তৌগদবা নত্তে" হায়না ট্রম্পনা হায়খি। মহাক্না ৱাফম অদু ফোঙদোকপদা কনফরেন্সতুদা তিল্লিব-শিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি।

য়ু এস-ইজরেলগী মরীদা মহাক্না তাহন্নিংলিবা ফীভম অদু উৎলদুনা রিয়েল ইষ্টেট ষ্টাইকুন অদুনা চেকশিন্না হায়খি মদুদি, অমেরিকান প্রসিদেন্ট ওইনা মহাক্না ইরানগী টেররিষ্ট নেটৱার্ক থুগাইনবা হোৎনগনি অমসুং লৈবাক অদুনা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই পায়নবা হোৎনরকপা খূদিংমক থিংগনি।

"ঐহাক্না মরু ওইনা পায়খৎক-দৌরিবা অহানবা থবক্তি ইরানগা সাইন তৌনখিবা মাঙনিঙাই ওইরবা দিল অদু লোইশিনগনি। ঐহাক মতম শাংনা বিজিনেসতা লৈরক্লে। দিল করম্না শেম্বগে হায়বদু ঐহাক্না খঙই অমসুং নখোয়দা ঐহাক্না মসিমা হায়গে, দিল অসি অমেরিকাগী ওইনা, ইজরেলগী ওইনা অমসুং মিদ্দল ইষ্টকী ওইনা মাঙ-তাক্লিঙাই ওই" হায়না মহাক্না হায়খি।

"হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমশিং মরু ওইবা অমনি। ঐখোয়না টেররিজম্বু খ্বাইদগী চাউনা শৌগৎপা লৈবাক্তা দোল্লর বিলিয়ন ১৫০গী মনা পীশিনখ্রে তৌইগুম্বুং মদুগী মহুত্তা ঐখোয়দা কান্নবা অমত্তা হল্লকপা লৈতে। ইরানগা সাইন তৌনখিবা হন্দক্কী ন্যুক্লিয়ার দিল অদুনা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী ন্যুক্লিয়ার কেপেবিলিটি মাঙহন্নবা তৌবদি লায়রদনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম পায়খৎপদা অথিংবা থল্লিবদু শুপ্পগী চহী খরখক্কীনি হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং অথিংবশিং অদুগী মতম লোইখিবা মতমদা ইরানগী ইন্দসষ্ট্রিয়েল সাইজদা মিলিটরি ন্যুক্লিয়ার কেপেবিলিটি লৈরগনি। ইরানগী ফত্তবা হৈনবী কয়া লৈদুনসু মতমদুদা মখোয়দা পন্থহন্নবগী মচাক অমত্তা লৈররোই হায়না ট্রম্পনা মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি, দিল অদুদা মিসাইল চাংয়েংশিংগী মতাংদা করিমত্তা পন্দে তৌইগুম্বসুং চাংয়েংশিং অদুনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন-শিংবুদি খোঙ্গাউনরি অমসুং কনামত্তনা মদুগী মরমদা করিসু তৌবা লৈতে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স অসি দেমোক্রেসিগী মরুপ অমা নত্তে। মসি নীংতম্বগী মরুপসু ওইদে। মসি য়ু এসকী মরুপ ফাওবা ওইদে, শুপ্পগী মীপুং খূদিংমক্কা য়ু এসতা মসিগী ময়ুম লৈ হায়বদি খঙনৈ। তশেংনমক মসি ইজরেলগী মরুপসু নত্তে অদুনা য়ু এননা মিদ্দল ইষ্টকী ৱাথোক্কী সোল্যুসন অমা পুথোক্তুনা চৎনহনবা ঙম্লোই হায়না দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি।



Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.
PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))
Launching
Phicomm Clue 630
4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.
4G
Only at Rs. 5699/-
* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)
2300mAh
HL-B/3010/13/03-12/04

## EMPLOYMENT NEWS

### AIR INDIA RECRUITMENT 2016 – 89 DY MANAGER, TECHNICAL ASST & OTHER POSTS

**Air India Recruitment 2016 – 89 Dy Manager, Technical Asst & Other Posts:** Air India Charters Limited has issued notification for the recruitment of 89 Dy. Manager, Dy Manager Finance, Finance Officers, Tr. Technical Officer, Technical Assistant & various vacancies. Eligible candidates can apply in prescribed format on or before 30-03-2016. Other details like educational qualification, selection process, fee & how to apply are given below…

**Air India Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 89**
**Name of the Posts:**
**A. Operations Department:**
1. Manager Scheduling-(Cockpit crew & Cabin Crew): 01 Post
2. Dy. Manager Administration (Mumbai): 02 Posts
3. Dy. Manager Inflight Services [Mumbai]: 01 Post
4. Cockpit/ Cabin Crew Scheduling Officer (Delhi): 01 Post
5. Executive Assistant to CEO (Cochin/ Mumbai): 01 Post

**B. Finance Department:**
6. Dy. Chief of Finance [Cochin]: 01 Post
7. Dy Manager Finance [Mumbai]: 03 Posts
8. Finance Officers, [Pune, Varanasi, Delhi]: 05 Posts
9. Sr. Finance Assistant: 06 Posts

**C. HR Department:**
10. Manager – IR [Cochin]: 01 Post

**D. Commercial Department:**
11. Manager-System Administration: 01 Post
12. Manager Scheduling & Network Planning: 01 Post
13. Sr. OfficerScheduling & Network Planning: 01 Post
14. Route Manager: 08 Posts
15. Pricing Analyst: 01 Post
16. Demand Analyst: 01 Post
17. Dy. Manager – Cargo services: 02 Posts
18. Sr. Officer Catering Service: 01 Post
19. Sr. Officer-Airport Services: 11 Posts
20. Sr. Officer- Cargo Services: 01 Post

**E. Engineering Department:**
21. Continuing Airworthiness Manager: 01 Post
22. Airworthiness Review Manager: 01 Post
23. Tr. Technical Officer: 18 Posts
24. Technical Assistants: 18 Posts
25. Sr. Officer- Stores: 01 Post

**Educational Qualification:** Candidates should have Graduate in any discipline for S.No-1 to 4, MBA for S.No-5, CA/ ICWA for S.No-6 & 7, MBA-Finance for S.No-8, B.Com Graduate for S.No-9, MBA/ LLM for S.No-10, BE/ B.Tech or 1st class Graduate with PG qualification in Computer Applications for S.No-11, MBA/ B.Engg or first class graduate in Math/ Statistics for S.No-12. For more information refer in notification.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on personal interview, written test & pre-employment medical examination.

**Application Fee:** Candidates should have to pay Rs. 500/- for General & OBC categories in the form of Demand Draft drawn in favour of Air India Charters Limited, payable at Mumbai. No Fee for SC/ ST/ Ex-servicemen candidates.

**How to Apply:** Eligible candidates can send their scanned copy of their application in prescribed format with 02 recent passport size coloured photographs, in an envelope should be super-scribed as "Post Applied for" & DD addressed to The Chief of HR, Air India Charters Limited, Airlines House, Durbar Hall Road, Near Gandhi Square, Kochi- 682016 on or before 30-03-2016.

**Last Date for Receipt of Application:** 30-03-2016.
**For more details, please visit on the link given below**
http://www.freejobalert.com/air-india/17111/

### HAL HYDERABAD RECRUITMENT 2016 – 265 TRADE APPRENTICE, GDMO POSTS

**HAL Hyderabad Recruitment 2016 – 264 Trade Apprentice Posts:** Hindustan Aeronautics Limited (HAL), Avionics Division, Hyderabad has issued notification for the recruitment of 264 Trade Apprentice vacancies in relevant trades. Eligible candidates can apply in the prescribed format on or before 23-04-2016. Other details like educational qualification & how to apply are given below…

**HAL Hyderabad Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 264**
**Name of the Post: Trade Apprentice**
**Name of the Trades:**
1. Electronic Mechanic: 87 Posts
2. Fitter; 62 Posts
3. COPA/ PASSA: 49 Posts
4. Electrician: 14 Posts
5. Machinist: 07 Posts
6. Turner: 07 Posts
7. Painter: 06 Posts
8. R & AC: 06 Posts
9. Draughtsman (Mechanical): 04 Posts
10. Welder: 03 Posts
11. Mechanic (Motor Vehicle): 02 Posts
12. Plumber: 08 Posts
13. Carpenter: 06 Posts
14. Diesel Mechanic: 03 Posts

**Educational Qualification:** Candidates should have Passed ITI in the trade of Electronic Mechanic, Fitter, Electrician, Machinist, Turner, Painter, COPA/ PASSA & relevant trades.

**How to Apply:** Eligible candidates can send their application in the prescribed format along with self attested copies of all relevant certificates by post addressed to Manager (Training), Department of Training and Development, HAL Avionics Division, Balanagar, Hyderabad – 500042 or through email to cmtrg.hyd@hal-india.com on or before 23-04-2016.

**Important Dates:**
Last Date for Submission of Application
23-04-2016
Last Date for applying to HAL Hyderabad for ITI Apprenticeship Training at web portal (www.apprenticeship.gov.in)
13-04-2016 (Wednesday)
Date of Hosting of Merit List
16-05-2016 (Monday)
Date of Document Verification & Joining
21 to 23 June 2016
(Tuesday – Thursday)

**HAL Recruitment 2016 – General Duty Medical Officer Posts:** Hindustan Aeronautics Limited (HAL), Human Resource Department, Hyderabad has announced a notification for the recruitment of General Duty Medical Officer vacancies on contract/ adhoc & temporary basis. Eligible candidates may apply in prescribed application format on or before 20-04-2016. Other details like educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**HAL Vacancy Details:**
**Total No of Posts: 01**
**Name of the Posts:** General Duty Medical Officer

**Educational Qualification:** Candidates should possess MBBS Minimum 02 years post qualification experience in the relevant discipline.

**Selection Process:** Short listed candidates will be called for screening test and personal interview.

**How to Apply:** Eligible candidates can send their applications in the prescribed format in A4 size paper along with the copies of certificates duly attested, Educational Qualification, experience, two latest passport size photographs and in an envelope should be superscribed with "Advertisement No. and name of the post applied for" by Speed/ Ordinary post to Manager (HR)-TM, Recruitment Cell, HR Department, Avionics Division, Post-HAL, Hyderabad-500 042 on or before 20-04-2016.

**Last Date for Receipt of Application:** 20-04-2016.
**For more details, please visit on the link given below**
http://www.freejobalert.com/air-india/17111/